## আর্মিনা কাপ্পদা মীচম ২ শোকখ্রে

ইটানাগর, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী): নাগালেন্দগী ওটিং মীহাৎকী থৌদোক থোকখ্রবা থা ৪গী মতুংদা অরুনাচল প্রদেশকী টিরাপ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চাসা ভিলেজদা আর্মিনা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা শোয়বদগী কাপ্পদা নহা অনী শোকহনখ্রে।

রিপোর্টকী মতুংইন্না শোক্লবা নহা অনী অদুদি নোকফুৱা ৱাংপন (২৮) অমদি রামৱাং ৱাংসা (২৩)নি। মখোয় অনীমক থৌদোক অদুদা লুনা শোকপদগী নুমিৎ অদুমক্তদা দিব্রুগরদা লৈবা অসাম মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা, থৌদোক অদু নহাশিং অদুনা তুরেলদগী ঙা ফারুরবা মতুং ময়ূমদা হল্লকপদা আর্মি পর্সনেলশিং অদুনা মখোয়বু মিলিটেন্ট ওইরবোই নীংদুনা নোংমৈ কাপ্পদগী থোকখিবনি হায়খিবগা লোয়নননা শোক্লবা নহাশিং অদুদা কম্পেন্সেসন পীবা অমদি লায়েংনবগী থবকশিং ইন্দিয়ন আর্মিনা রেস্পোন্সিবিলিটি লৌরগনি হায়খি।

অমরোমদা, টিরাপ দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর টারো মিজেনা ফোঙদোরকপদা, থৌদোক থোকফম মফম অদুমক্তদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা খুঞ্জাশিংদা লাল্লে হায়জখিবগা লোয়নননা শোক্লবা মীওইশিং অদুদা কম্পেন্সেসন পীগনি হায়বগী থাজবা পীরমখি হায়খি।

অসাম মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালগী সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রসান্ত দেহিঙ্গিয়ানা ফোঙদোরকপদা, শোক্লবা মখোয় অনী ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা হোস্পিটাল অসিদা পুখৎলকখিবনি। মখোয়বু দোক্টরশিংনা নীংথিনা য়েংশিনবগা লোয়নননা হৌজিক্কী ওইনা খূদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে। মখোয় নোংমৈনা পানবগী অশোকপা লৈবগা লোয়নননা হোস্পিটাল অসিগী সর্জরি য়ুনিটতা এদমিট তৌদুনা লৈরি হায়খি।

নীংশিংবা য়াবদি, মমাং চহীগী দিসেম্বর ৪দা নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ওটিং ভিলেজদা ইন্দিয়ন আর্মিনা মীচম ৬ হাৎখিবনি। মথংগী নুমিৎতা আর্মিনা অতোপ্পা মীওই ৮ অমগসু হাৎখিবনি।

## মী হাৎপগা মরী লৈননা ফাখিবা কাদর অহুম কষ্টদিদগী নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে

অগরটালা, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী): নোর্থ ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কনচনপুর সব-জেলদগী লোনা থিংখ্রবা ওর্গনাইজেসন অমগী কাদর ৩ মথৌ তৌরিবা পুলিসশিংদগী নাম্থোক্তুনা থাংজ নুমিৎতা চেনখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

মরাল লৈরবা মীওইশিং অদুদি জিবন রিয়াং, চনমোনি রিয়াং অমদি লফঙ্গা রিয়াংনি। মখোয় অহুম্মক লিতন দাস হাৎখিবগা মরী লৈননা ফাবনি।

পুলিস সোর্ছ অমনা ফোঙদোক্লদুনা, মখোয় অহুম ধরমনগরদা লৈবা নোর্থ ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতা পুথোক্তুনা হিয়রিং চথুরবা মতুং কনচনপুর সব-জেলদা মখোয়বু অমুক হন্না পুরকখি। জেল য়ৌরকপগা পুলিসশিং অদুনা গাড়ীদগী কুমথরগা গেট হাংদোক্লবা হোৎনরিঙৈ অচেংবা তাঞ্জা লৌদুনা মখোয় গাড়ীদগী চেনখিবনি। ওফিসল অমদি পুলিসকী মরক্তা ঙাইহাক্কী ওইবা খৎন-চৈনবা থোকপদগী মখোয়না পুলিসশিং অদুদা ওভরপাৱর তৌরম্লগা নাম্থোকখিবনি হায়খি।

নোর্থ ত্রিপুরাগী এদিসনেল এস পি জেকোব দার্লোংনা ফোঙদোরকপদা, থৌদোক অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি অমদি ইন্সর্জেন্ট গ্রুপ অসিগী লোৎতুনা লৈরিবা চিংনবা পূম্নমক অথুবদা পুলিসনা ফাগৎলগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা দ্যুটি তৌরিবা পুলিস পর্সনেলশিংগী নেগ্লিজেন্স লৈখিব্রা য়েংশিন্নবা পেনেল অমসু শেম্লে হায়খি।

পনবা য়াবদি, ক্না মরুগী কন্ট্রেক্টর ওইবা লিতন দাস মিলিটেন্টশিংনা মহাক্কী ময়ূমদগী গন পোইন্টদা ফাদুনা পুখ্রগা হাৎতোক্লম্বনি। মহাক্কী অশিবা হকচাং অদু ত্রিপুরা-মিজোরাম বোর্দরগী মনাক্তা লৈবা জঙ্গল অমদা ফুমজিন্দুনা থন্নম্বদগী তৌথোক্তুনা লৌথোকখিবনি।



লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোকপা পুনিট সাগর অভিয়ান কেম্পেন্যনগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর ইয়র স্কৱাদ্রোন এন সী সীনা শীনবা রেল্লিদা শরুক য়াখিবশিং

## অসাম, মেঘলায়া, অরুনাচলদা অকনবা নোং চুরবা য়ারি

গুৱাহাটি, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী): অৱাং-নোংপোক্তা ইনক্লিমেন্ট ৱেদর মখা চথুরকপা ওইনা ষ্টেট অহুম অসাম, মেঘলায়া অমদি অরুনাচল প্রদেশতা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

নৌনা থোক্লকপা ৱেদর ফোরকাষ্টকী মতুংইন্না নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা অৱাং-নোংপোক্তা হুমজিল্লকপা সাইক্লোনিক সর্ক্যুলে-সননা মরম ওইরগা লাক্কদৌরিবা থা অসিগী ৭ ফাওবগী মনুংদা পাক্তক্লনা নোং চুবা অমদি থন্দর ষ্টোর্ম লাক্লবা য়াই হায়রি। ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনসু ষ্টেট ৩ অসি ওরেঞ্জ এলর্ট ইস্যু তৌখ্রে।

## ওক অমদি ওক্কী পোত্থোকশিং পুশিল্লকপা পুমথিং থিংখ্রে

আইজোল, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী): অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী ওকশিং পুশিল্লকপা য়ারুরবা থা ২গী মতুং নৌনা মিজোরামদা অফ্রিকান স্বাইন ফিভর (এ এস এফ)গী রিপোর্ট লাকপদগী মিজোরাম লৈঙাক্না থাংজ নুমিৎতগী অতোপ্পা ষ্টেটশিং অমদি লৈবাক্তগী ওকশিং অমদি ওক্কী প্রদক্টশিং পুশিল্লকপা পুমথিং থিংখ্রে।

অফ্রিকান স্বাইন ফিভরগী লায়চৎ থোক্লকপনা মরম ওইরগা মিজোরাম লৈঙাক্না ২০২০গী অগষ্ট থাদগী হৌদুনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী ওকশিং পুশিল্লকপা থিংদুনা লাকখিবা অদু মমাং চহীগী দিসেম্বর লোইরমদাইদা ষ্টেট অসিদগী এ এস এফকী কেস রিপোর্ট লাক্তবদগী লৈঙাক্না চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১দগী অথিংবশিং অদু লৌথোকখিবনি।

মিজোরামগী চীফ সেক্রেটরি অমদি ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটি চেয়রমেন রেনু শর্ম্মানা থাংজ নুমিৎতা ইস্যু তৌদুনা থাদোরকপা ওর্দর অমনা ফোঙদোক্লদুনা অতোপ্পা ষ্টেটশিং অমদি লৈবাকশিংদগী অহিংবা ওকশিং, শেমদোক্লবা শাশিং অমদি ফ্রোজন পোর্ক য়াওনা ওক্কী প্রদক্টশিং ষ্টেট অসিদা পুশিল্লকপা মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা অথিংবা থম্লে হায়খি।

ওর্দর অদুনা মখা তারদুনা ষ্টেট এনিমেল হজবেন্দ্রি অমদি ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টনা ওক লোয়রিবা মফমশিংদা চৎতুনা শুংশোয় শোয়দনা শেংদোক্কদবনি অমদি লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা থৌরাং পায়খৎকদবনি অমদি চিংনবা ওকশিং তোখায়না থমগদবনি। দিপার্টমেন্ট অসিনা মখা তানা অশিবা ওকশিং নেসনল এক্সন প্লান ফোর কন্ট্রোল, কন্টেনমেন্ট এন্দ ইরাদিকেসন ওফ অফ্রিকান স্বাইন ফিভরগী মতুংইন্না মফম চাবা য়েংদুনা নীংথিনা ফুমজিনগদবনি হায়রি।

ষ্টেট এনিমেল হজবেন্দ্রি অমদি ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টনা থাদোরকপা দাটাগী মতুংইন্না চহী অসিগী জন্যুৱারীগী অরোইবা শরুক ফাওবদা ওক মচা অমদি মপী পূন্না ৩৮৪ লৈখিদবগী মনুংদা চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টতা লৈখিদবা ৬৪দি অফ্রিকান স্বাইন ফিভর কনফর্ম ওইখি। ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৫দা লৈবা খুঙ্গং ২৪দা নৌনা ওক শিবগী রিপোর্ট লাকই হায়রি।

## খঙহনবা ৱাংপনা দিসএবিলিটিশিংবু হঙ্গোয় তুক্কৎচনা উহনবনি

দিমাপুর, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সী): খুন্নাই অসিগী মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবা ৱাংপনা দিসএবিলিটিশিংবু হঙ্গোয় তুক্কৎচনা উহনবনি। হৌজিক ফাওবদা দিসএবিলিটিশিংগী মরমদা লান্না থাজবা, খনবা অমদি পাউ ফাওনদবা লৈরি হায়না নাগালেন্দগী পর্সন ৱিথ দিসএবিলিটিগী ষ্টেট কম্মিস্নর দাইথোনো নাখ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মহাক্না কোহিমাগী জো ফাউন্দেসন ইনক্লুসিভ স্কুলদা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড ওটিজম এৱ্বেয়রনেস দে থৌরমদা গেষ্ট স্পিকর ওইদুনা ফোঙদোকখিবনি।

নাখ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, ওটিজমদা লৈরিবা ষ্টিগমাশিং অসি গ্রাসরুট লেভেলদগী হৌনা নীংথিনা এৱ্বেয়রনেস পীবা অমদি এদ্যুকেসন সিষ্টমদা য়াওহল্লবদি লৌথোকপা ঙমগনি। অদুবু পন্থুংফম ফংনবা এৱ্বেয়রনেস পীবা খক্তা নৎতনা ওটিজমবু য়াজবা মথৌ তাই হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা চহী অসিগী ৱর্ল্ড ওটিজম দেগী থিম অসি পূম্নমক্তা ইনক্লুসিভ ক্বালিটি এদ্যুকেসন পীবা হায়বনা ওইরি হায়খি।

লৈঙাক অসি খক্তনা দিসএবিলি-টিশিংবু নাথৈবীবা নৎতনা খুন্নাই অসিনসু নাথৈবীরি। অদুবু লাইবক ফবদি হৌজিক তোঙান-তোঙানবা সেক্টরশিংদা দিসএবিলিটিশিংগী ৱারী-ৱাতায় শানবা অমদি ইমপ্রুভমেন্ট লাকপা উরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।


### নৌ / REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Registration Certificate of Class XII bearing Registration no. 3983 of 2020 issued by COHSEM on the way from Imphal Bazar to Lamsang on 1st April 2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Khangembam Inaotomba Singh**
Lambal Awang Leikai
# 9863717438

HL-P/2022/4



**RM SCHOOL**
**Kwakeithel Heinoukhongnembi**

অথুবদা School গী DESK & BENCH ১০০ মুক পামজৈ অদুগা BOARDING & HOSTEL গী ফমুং খরা য়োঞ্জরি। পান্বীবশিংনা মখাগী পীজরিবা Number দা WhatsApp তৌবীরকউ। **# 6009000877**

**VAN SERVICE** পামজৈ

মখাদা পীরিবা Route অসিগী Van Service পামজৈ। নিশা চাদবা, মশাগী মিংদা লৈবা Van Kaka শিংনা Application থাবীরকপা য়াগনি।
Route : Canchipur

HL-P/2138/2,4

Sd/- **Principal**





HL-B/7414/17-30/3


## CROSSWORD-3488



**ACROSS**
1 Newspaper feature (6)
4 Fireside (6)
8 Passenger ship (5)
9 Raiment (7)
10 Someone else (7)
11 Spooky (5)
12 Spring-flowering plant (9)
17 Muggy (5)
19 Long-necked animal (7)
21 Maybe (7)
22 Old four-pence coin (5)
23 Soothed (6)
24 Harass a speaker (6)

**DOWN**
1 Underground room (6)
2 Assassinated US president (7)
3 One of the gifts of the Magi (5)
5 Put into words (7)
6 Less common (5)
7 Aided (6)
9 Irish airline (3,6)
13 Bureaucracy (3,4)
14 County of East Anglia (7)
15 Place of worship (6)
16 Vessel for boiling water (6)
18 Wall painting (5)
20 Scoundrel (5)

**Solution 3487**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | O | L | A | C | E | D | | C | O | C | O | A |
| A | | I | | A | | E | | R | | H | | H |
| R | E | A | D | Y | | D | I | O | C | E | S | E |
| C | | R | | E | | U | | W | | M | | A |
| A | R | S | E | N | I | C | | D | R | I | E | D |
| S | | | | N | | E | | | | S | | |
| M | U | S | S | E | L | | C | A | T | T | L | E |
| | | P | | | | M | | I | | | | M |
| T | B | O | N | E | | O | W | N | E | D | U | P |
| A | | I | | M | | N | | T | | A | | R |
| S | U | L | T | A | N | A | | R | A | N | G | E |
| T | | E | | I | | C | | E | | C | | S |
| Y | O | D | E | L | | O | P | E | N | E | R | S |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3887**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 8 | | | | | |
| | | | 6 | | | 7 | 8 | |
| | | 9 | | 3 | | 6 | | 4 |
| 9 | | | 4 | | 8 | | 5 | |
| 4 | | | | | | | | 9 |
| | 5 | | 1 | | 2 | | | 8 |
| 6 | | 7 | | 5 | | 3 | | |
| | 2 | 5 | | | 6 | | | |
| | | | | | 3 | | | |

**Solution-3886**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 5 | 3 | 4 | 2 | 9 | 7 | 8 | 6 |
| 6 | 8 | 9 | 5 | 3 | 7 | 4 | 2 | 1 |
| 7 | 2 | 4 | 1 | 6 | 8 | 5 | 3 | 9 |
| 9 | 4 | 6 | 7 | 8 | 3 | 2 | 1 | 5 |
| 5 | 7 | 8 | 9 | 1 | 2 | 6 | 4 | 3 |
| 2 | 3 | 1 | 6 | 4 | 5 | 9 | 7 | 8 |
| 4 | 1 | 2 | 3 | 9 | 6 | 8 | 5 | 7 |
| 3 | 6 | 7 | 8 | 5 | 4 | 1 | 9 | 2 |
| 8 | 9 | 5 | 2 | 7 | 1 | 3 | 6 | 4 |

## EMPLOYMENT NEWS

**DEPARTMENT OF TELECOMMUNICATIONS INVITES APPLICATION FOR ASSISTANT DIRECTOR RECRUITMENT 2022**

Assistant Director
Job Location:
Department of Telecommunications T-l O, BSNL Quarters Baluwakhani, Gangtok, 737103 Sikkim
Last Date: 25 April 2022
Employment Type: Full Time
Assistant Director
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Gangtok
Age Limit Candidate should not be more than 64 years of age on the last date of application.
Experience 15 - 25 years
Salary Not Disclosed
Posted on 30 Mar, 2022
Last Date To Apply 25 Apr, 2022
Educational Qualification: Retired Staff

Subject: Engagement of one consultant for the post of Assistant Director on temporary contract basis in DDG Sikkim Unit, WBLSA, DOT, Gangtok - Reg.

DDG Sikkim Unit, WBLSA, Department of Telecommunications (DoT), Ministry of Communications proposes to engage one consultant against the vacant post of Assistant Director (AD) in on purely temporary and on contract basis at 0/0 DDG Sikkim Unit, WBLSA, DOT in Gangtok for a period of six months or till regular manpower is posted, whichever is earlier. The Consultant will be posted in Gangtok, Sikkim.

No: 201-17/ WBLSA/ Sikkim/2019-20/Consultant hiring/50

1. Post name : Assistant Director
2. Eligibility:- For consultant in AD Level - Retired AD or Retired from CDA Scale with a substantive grade (Level 8 of the 7th CPC or equivalent) or holding analogous post from Government/PSU/Research Organizations.. Preference will be given to applicants from DoT/BSNL/MTNL background. However, Retired person from BSNL/MTNL under VRS-2019 are not eligible to apply.
3. Remuneration:- Fixed monthly remuneration shall be regulated in accordance with (i) DOT, Integrated Finance Division Lr. No. 3-10/2014-SEA-I/Fin dated 22-12-2021, (ii) Department of expenditure F. No 3-25/2020-E.IIIA dated 09-Dec-2020 and any other circulars/orders issued by the Government from time to time. There will be no annual increment/percentage increase during the contract period. The income tax or any other tax liable to be deducted as per the prevailing rules will be deducted at source before effecting the payment or remuneration.
4. Period of Engagement:- Engagement will be purely on a short-term contract basis. The initial engagement would be for a period of six months, which may be extended further up to a maximum of6(six) terms of6(six) months each or up to 65 years of age whichever is earlier depending upon the requirement of 0/0 DDG Sikkim Unit, WBLSA, DOT, Gangtok and the performance of the contract appointee. The engagement can be cancelled at any time by DDG Sikkim, DOT, Gangtok without assigning any reason.
5. Working facilities to be provided:- Only the basic facilities/infrastructure will be provided to the contract employee. No transport or telephone/internet facility at residence etc shall be provided.
6. Working facilities to be provided:- Only the basic facilities/infrastructure will be provided to the contract employee. No transport or telephone/internet facility at residence etc shall be provided.

Pay Scale: INR Not Disclosed
Age Limit: Candidate should not be more than 64 years of age on the last date of application.

Selection Procedure
1. A selection panel shall be constituted for this purpose and it will be valid for a period of 6 months.
2. The decision of the department in the matter of selection of consultants shall be final and binding.
3. Suitable candidates may also be called for interaction/ interview.

How to Apply:
1. The format of application form for the post of consultant on a contract basis is at the last date for submission of the application is 25-04-2022. Applications received after the due date will not be considered.
2. Closing date for submission of applications: Up to 17:00 Hrs of 25-04-2022.
3. Application to be forwarded to:- Director Sikkim, 0/0 DDG, DOT, Sikkim Department of Telecommunications T-l O, BSNL Quarters Baluwakhani Gangtok - 737103

Important Dates:
Published on: 30 March 2022
Last date for application is: 25 April 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification







